# হাওরৈ খানা পাংবদা চৎখ্রো ...!

- এল ইবোমচা -

লৈশেন্বা তুসেন্বা
কুমসানা কুমলিকলাই
হনু লৈখম হনু কোকচাও খুন্দাহনবা
হাওরৈ খানা পাংবদা চৎখ্রো...!

মৈদিংঙ্গু নোংদা লাইরেল পাখংবা হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লাক্লে হায়নরিবা শজিবু চৈরাওবা পাথাং পুথাং নাইনা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা শজিবু থাদা পাঙথোক্তুনালাক্লি। অহানবদা মৈদিংঙুশিংগী কংলা খক্তদা পাঙথোক্লম্বদগী মৈদিংঙুগী য়াথংদগী লৈবাক মীয়াম হুপ্পা চহী হৌবা থৌরম খঙমিন্নবা হায়দুনা খুরাই, ৱাংখৈ, য়াইস্কুল, খ্বাই পানা মরিদা লৈবা লৈরক খুল্লকশিংদা মতোন্দা শারিক পানবা চৈ পায়বা মনাইনা শগোল পাউ শন্দোক্তুনা য়ূমথোঙ খুদিং শজিবু চৈরাওবা পাঙথোকহন্দুনা চাওরবা কুম্মৈ ওইনা ওন্থোকখি হায়নৈ। মতোন্দা শারিক য়ানবা চৈ পায়বা মনাইনা চহী হৌরে হায়দুনা চৈ পায়দুনা লাওই হায়বদগী ঙসিগী চৈরাওবা হায়বা মিংথোল অসি ওইরকখিবনি হায়না মীয়ান্না চপ য়ুংনা থাজনৈ।

অদুবু য়াম্না ঙক্লিবদি কুমজা ১৯৭০/৭১ অদুৱাই ফাওবগী মমাঙদদি শজিবু থানুংদা সনা কোনুংগী নুমিৎ শুবা (পাঞ্জি) গী পাউতাক মতুংইন্না শজিবু চৈরাওবা হায়বা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লরম্বদগী কুমজা অসিগী মতুংদগীদি শজিবু নোংমা পানবা, মৈতৈ চৈরাওবা হায়না খঙনরগা চৈরাওবা হৌরকপা মীওই খরা থোক্লকপদগী শজিবু থানুংদা চহী খরগী মমাঙদগী ঙসি ফাওবা চৈরাওবা অনী থোক্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। তৌবতবু ঐখোয়গীসু থা তরানিথোইনা শাবা চহীদা শজিবু থানা অহানবা থা ওইবনা ইংলিস কেলেন্দরগী মওং মতৌ তন্নুরগদি শজিবুগী নোংমা পানবদা চহী হৌফম থোকই। মরমদি ইংলিস কেলেন্দরগী ওইনসু অহানবা থা ওইরিবা জন্যুৱারী তাং ১দা চহী হৌই। অদুবু ঐখোয়না খঙগদবদি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা থবাননি হায়বদি ইংলিসকী লোন্দাদা লুনর সিষ্টমনি অদুগা ইংলিস কেলেন্দরগীনা মালেমগী অফাওবা এষ্ট্রোলোজরশিংনা অনী অহুন্নক হন্না হন্না শেমদোক্তুনা মালেমনা হেক কাইদ্রিবা ফাওবা চুমদুনা লৈরগদবা সোল্লর সিষ্টমদগী লৌরগা শেম্বনি। মরম অসিনা হান্ননা শজিবু চৈরাওবা হায়রম্বদগী হৌজিক্লা গৌড় চৈরাওবা, চরক পুজা হায়না নৌনা থোল্লবা শজিবু থানুংদা চহী মপূং চপ চানা ফারগা পাঙথোকচবনি।

অমরোমদা শজিবু নোংমা পানবদা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লিবশিং অসিসু ইচম চম্না লৌথুপ লৌকোই লৈতনা শজিবু নোংমা পানবা ওইবগী পাঙথোকচবনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু পাঙথোক্লরিবা চৈরাওবা অনীমক্কী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি চপ মান্নবনা মৈতৈ চৈরাওবা, ময়াং/হিন্দু চৈরাওবা হায়না হুন্নদুনা চৈনবগী মথৌ তাদে, মরমদি পাঙথোক্লিবা থৌরম অনীমক্কী লাইশোল তিনশোল, হৌন-লোনচৎ চপ মান্নে।

গোপি চন্দলনা পাক্লা চাউনা, শাংনা, মায়দা, লাইবক্তা থিল্লবসু অদুগা মালেম লৈবাক (লৈশা) না লাইবক্তা খুদোম্বীনা নন্নবসু ঐখোয়গী ইমুং খুদিংমক্তা সনামহী লাইনিংথৌ, ইমা লৈমরেল শিদবীগী খুভম য়াদুনা ঈরাৎতবা ইমুং লৈতে। দুর্গা পুজা, বিশ্বকর্ম্ম পুজা, লক্ষ্মী পুজা, সরস্বতি পুজা, শিবরাত্রিনচিংবা থৌরমশিং মমিং ওন্থোক্লগা থৌরম পাঙথোকমীন্নে। শ্রাদ্ধ কর্ম্ম, শুভ-বিবাহ, চুরা করননচিংবা থৌরমশিংসু তোঙানহল্লগা নুমিৎ মশীং খেন্ননা, য়েৎ-ওই তৈনহল্লগা চপ মান্নবা মওংদা থৌরম পাঙথোকমিন্নদুনা মতেং ইতেং লৌনদুনা পূন্না লৈমিন্নরি।

লৈকায়গী লাই হরাওবা, কুরাপ লমদাইবা, লৈকায় শিংলূপ্তা সনামহী লাইনীং, হিন্দু লাইনীং খেন্নবা থম্নদনা ফক অমত্তদা ফম্মিন্নদুনা শরুক য়ামিন্নরি। অদুবু লৈমিন্নরিবা খৃষ্টিয়ান অমসুং ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওইশিংদি মথক্কী থৌরমশিং অসিদা শরুক য়াদবগী মরু ওইবা মরমদি মৈতৈ লাইনীং চৎপা অমসুং হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী লাইনীং লিচৎকা মখোয়গা চাউনা খেন্নবা লৈবননি। অদু ওইরবদি মৈতৈ লাইনীং অমসুং হিন্দু লাইনীং হায়দুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু ইন্থোক ইনশিন তৌনদুনা লৈরিবসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি তোক্লখিদুনা ঐখোয়গী চহী হৌবগী থৌরম ওইরিবা শজিবু চৈরাওবা কুম্মৈ নোংমখক্তংদা পূন্না পাঙথোকমিন্নরকপা ওইরসনু। তৌবতদি থাজবদি ঙমদে, মরমদি করিসু নত্তবা মৈতৈ/মীতৈ খোন্থোক্তা অমসুং বনানদা খরা খজিক খেন্নবগীসু মতম কুইরবগী মমাঙদগী য়েৎনদুনা লাকপনা ঙসি ফাওবা য়েৎনদুনা লৈরি।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি চহী খরগী মমাঙদগী চৈরাওবা অনী থোক্না পাঙথোকপা হৌরকপদগী চৈথাবা অনী অনী শুরকপা অদুগা কোংবা লৈথোং ফাৎপা, শজিবু লৈখুল ফুনবগী থৌরমসু অনীরক হন্না পাঙথোকপা অসিনা তৌরিবা লাইথৌগী মহয় লৈবাক্কী ওইনা ফংগনি থাজদ্রে। মরু ওইনা জন্ম কুঠি ইবদা করম্বা চৈথাবা মীগী মমিং হাপকদগে হায়বা পাঞ্জি ওইবশিং (চহী শুবশিং) দা ককঙাওনহল্লে।

চাওখৎপনা খম থেংখিবদগী মালেম অসি ফাওবা অপীকপা খুঙ্গং অমগুম খন্নরক্লবা অদুগা মালেমগী থক্তা থোক্লিবা থাগা ফাওবা অরাপ্পা চপ চানা খঙলবা কম্প্যুটর এজ ওইরবা মতমসি ফাওবা য়েৎনদুনা অসুম্মক লৈখিগদ্রা...?

ফরে... অদুবু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ফনা য়াম্না য়েৎনরবসু চৈরাওবগী থৌরমদা শোল্লিবা মথক্কী লাইশোল অসিদি খেন্নবা লৈতনা চপ মান্নবা ৱাহৈদা শোল্লকপদুনা (হাওরৈ খানা পাংবদা চৎখ্রো) হায়বসিদা লোইশিনমিন্নে...!

মসিনা কমদৌরিবা...? ●

# হিন্দি তমদবা য়াদে হায়রকপগী থৌওং অসিদি অপীকপা ফুরুপশিং মুখৎনবগী অহানবা খোঙথাংনি

- জয়েন্ত সরাংথেম -

লৈকোল অমগী ফজবা হায়বসি লৈকোল অদুদা লৈ পান্নী মখল-মখল হৌদুনা মচু কয়াগী লৈ শাৎলবা কান্দতা ওইগনি। করিগুম্বা লৈকোল অদুবু শেন্নরিবা মালী অদুনা অঙাঙবা মচুগী লৈ নত্তনা লৈ অতৈদি তুম্না য়ানথৎলবদি মফম অদু লৈকোল করম্না কৌগদগে ? বৃটিশ লাক্লিঙৈ মতমদা ইন্দিয়া হায়বা অসিসু লৈরম্বা নত্তে। ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লোনগী মখাদা চৎমীন্নরিবা ষ্টেটশিং অসি মতম অমদা মশাগী চৎনবী, মশাগী লোল অমদি মরোমদোম মশাগী অপীক-অপীকপা লৈঙাক্লোন কয়াগী মখাদা পাঞ্জদুনা লৈরকখিবা ঙাক্লি। অদুবু মফম-মফমদা লৈরন্নীবা অপীকপা লমশিং অদু বৃটিশ লোইলম মখাদা লৈখ্রবা মতুংদা 'নীংতম্বা' হায়বসিনা হায়রিবা অপীক-অপীকপা লমশিং অদুগী মান্নবা অমতা ঙাইরবা পান্দম ওইরকখিবনা হৌজিক অপুনবগী লিপুন ওইখিবনি। অদুনা নীংতম্লবা মতুং দা শক-চু, চৎনবী, লোল কয়া অসি মান্নদ্রবসু, লাইনিং লাইশোনদা চাউনা খেন্নবা লৈজরবসু হৌজিক-হৌজিক অমতা ওইনা ইন্দিয়া হায়বা মীংথোন্দা পুন্না চৎমীন্নরিবা অসিনি। মসিবু কৌই 'য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি'। মসি লিশাং শীৎনা দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা ঙাক্লৌ কয়া পীবীদুনা হায়রিবা মান্নদ্রবা অমদি খেন্নবা অসি য়োক্তুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক য়াম্না কিনীংঙাই ওইবা অমনা অচৌবা ফুরুপশিংনা ঙাঙবা লোল অদু লৈমীন্নরিবা অতৈ কাঙলুপশিংসু তমগদবনি অমদি ঙাঙগদবনি হায়রক্লিবা অসিনি। মসিদি দেমোক্রেসিদা অচৌবা শাফু পীরকপনি। মসিদি অপীকপা ফুরুপশিং শিজখ্রো হায়বনি। মসিদি ঙম্লে হায়দুনা মখোয়গী লোল অমদি চৎনবী অদু অতৈনসু ইনগদবনি হায়বা দিক্টেটরগী থৌওংনি। মসিদি মান্নদবা কয়াবু অমতা ওইবগী লিপুন পুল্লিবা 'য়ুনিটি ইন দাইভসিটি' দা অয়েৎপা অমদি য়ৈখাই থীঙ্গাইবা পীরকপনি।

হিন্দি লোল তম্বনা অমদি ঙাঙবনা ইন্দিয়াদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরক্কনি হায়রবদি অতৈ লোল খুদম খরা পল্লবদা মণিপুরী নৎত্রগা টেলুগু নৎত্রগা মরাথি লোল অসি ইন্দিয়া পুম্বদা তমহনবা অমদি ঙাঙহনবদি করি কাইবগে ? অতৈ লোলদি খঙদে হিন্দি লোল তমগদবনি হায়বা অসিদি মশাতগী খনবা মীগী লোলদি খন্দবা মচৎনি হায়নিংই। মসিদি মীনা মীবু নমথনবা তৌবনি। হিন্দি লোল ঙাঙবা কাঙলূপশিংনা মশাগী লোল নুংশিবা অমদি অতৈ ফুরুপশিংদা শন্দোকপা পাল্লীবা অদুগুম্না অপীকপা ফুরুপশিংদা চল্লীবা ঐখোয়সু ঐখোয়গী চৎনবী ঐখোয়গী লোল নুংশি। অদুবু ঐখোয়দি ঐখোয়গী ফিজেৎ-চাকচা অমদি ঐখোয়গী লোল অসি কনাগুম্বা কাঙলূপ অমত্তদা নমহত্তুনা কিহন-খঙহন্দুনা তমগদবনি নৎত্রগা ঙাঙগদবনি হায়দুনা তৌখিবদি লৈতে। মরমদি ঐখোয়না অতোপ্পা লোল অদু ইকায়খুম্নে। কাঙলুপ অমনা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবদি ফত্তে। নৎত্রবদি মদুনা মরম ওইরগা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা অমদি উংখৎনবা কয়া তুংদা লাক্লবগী লম্বী ওইরকপতা নত্তনা কুমজা ১৯৯১দা মতম অমগী য়ু এস এস আর ফেদরেসন (রুসিয়া) কায়খিবা অদুগুম্না লিংজেল মান্নবগী থৌরিনা পুন্দুনা ইন্দিয়াদা লৈমীন্নরিবা অমসুং চৎমীন্নরিবা ফুরুপশিং অসি কায়থরক্তুনা বৃটিশ লাক্লিঙৈ মমাঙদা মনীংতম্না লৈজরম্বা অদুদা অমুক হন্দোকচরগে হায়নরক্লবগী মরম ওইরক্কনি । মসিনা ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি কাইথরক্লবগী লম্বীসু ওইরক্কনি। মরমদি ইন্দিয়া হায়বা অপুনবা লৈবাক অসি শাগৎলকপদা য়াওরিবা অপীক-অপীকপা ষ্টেটশিং অসি মান্নদবা মাগী-মাগী লোল, চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা অমদি লাইনিং অসিনচিংবা অসি ইকায়খুম্নবা পীরগা পোলিটিকেলগী লিপুন্না পুন্দুনা চৎমিন্নবনি। হায়বদি ইন্দিয়াদা ঐখোয় অসি ইন্দিয়াননি পোলিটিকেল্লী। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি সোসিওলোজিকেল মরীনা পুনবা নত্তে।

অচৌবা কাঙলূপনা মপাঙ্গল শোনবা কাঙলূপশিংবু নমথনবা হোৎনদুনতা ঙসিসু লাক্লি। ৱান নেসন ৱান রিলিজন লৈগদবনি খরা হায়। অসুম্না তৌরদি অপীকপা ফুরুপশিংগী লোল, চৎনবী,লাইনীং মাঙহনগে হায়বনি। নৎত্রগা মতম খরা লৈরগা নখোয়না নীংলিবা লাইনিং অদুদা ঐখোয়সু নীংগদবনি হায়রক্কদৌরিব্রা ? অদুম্না তৌরদি মশীং য়াম্বা নখোয়না অচুম্বা শরুবা হোৎনবনি হায়নীংই। থৌওংশিং অসি মখা তানা অসুম-অসুম চথুরক্লবদি মীয়াম্না লেপ্পা, মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না হিংবা অমদি মীয়াম্না খনবা লৈঙাক্লোন্না পাল্লি হায়দুনা মালেমদা মমিং চৎলিবা ঙসি ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসিগী মহুত্তা ওটোক্রেসি অমদি দিক্টেটরশিপকী লৈঙাক্লোন ওইনা ওইরক্লগনি নোংমদি। মরুওইনা ইন্দিয়াদদি কলচর, লাইনীং অমদি লোলগী ইস্যু অসি য়াম্না সেন্সিটিভ ওই। ইন্দিয়াগী সাউথলোমদা লৈরিবা লমশিংদদি হায়দনা নখোয়না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা হিন্দি অসি ক্লাস টেন ফাওবা কম্পলসরি ওইনা তমগদবনি হায়রকপা অসিদি তশেংনমক ঐখোয় অসিবু করিসু লৈতনা খনবা অমদি য়ানি হায়দুনা তৌগে য়াওনা তৌরকপনি হায়বদা অদুক লাল্লোই হায়নীংই। ফুরুপশিংগী মথক্তা লোল অসি তমগদবনি হায়দুনা ইম্পোজ তৌবা অসিদি ফুরুপশিং অদুগী মনীংতম্বা অদু নখোয়না মৎপনি।

ইংলিশকী মহুত্তা হিন্দি ওইনা ফাওনা লোল ওইসি হায়বদি য়াই। অদুবু মদু মফম অমদি মী-মীগী অপান্বনি, মীয়াম্না পান্নরবদি অদুম শীজিন্নসনু । হিন্দি তম্বা অমদি ঙাঙবা হায়বা অসি ফত্তে হায়জবা নত্তে। লোল মশীং য়াম্না খঙবা হায়বা অসি য়াম্না ফৈ। তৌবতদি হিন্দিবু ওইরে লোল অমা তমজগে নৎত্রগা ঙাঙজগে হায়বা অসি তম্নীংলিবা হৈনিং লিবা মীওইশিংনা অমদি মীয়াম্না লেপচসনু। অদুগা তমদবা য়াদে, ঙাঙদবা য়াদে হায়দুনা ইম্পোজ তৌবদি লানগনি। ইম্পোজ তৌবদি হৌরক্লিবা নহাশিংগী ৱাখলগী মনীং তম্বদা অয়েৎপা পীবগুম্না থোক্কনি। য়ুনিফোর্মিটি লাক্লবা হোৎনবদা হিন্দি তমদবা য়াদে হায়বা অসিদি লোলদি লৈবা ময়েক্তি লৈজদবা অপীকবা ফুরুপশিং অসি হাৎকে হায়বনি । মসিদি 'ৱান নেসন ৱান রিলিজন ৱান লেংগ্বেজ' গী পান্দম অদু ফংনবা হিন্দুনাইজেসনগী থৌওংনি। ক্লাস টেন ফাওবা হিন্দি অসি কম্পলসরি ওইহল্লবদি লোল অতৈদগী হিন্দিনা দোমিনেট তৌবগী চাং অসি হান্নদগী কা-হেন্না হেল্লক্তুনা হৌজিক-হৌজিক লৈজরিবা অপীকপা ফুরুপ কয়াগী আইদেন্টিটি অদুসু নোংম-নোংমগী মুৎখিদুনা 'য়ুনিটি ইন দাইভরসিটি' গী ফজবা অদুসু মাঙখিনবগী মরম অমা ওইরক্কনি। লোল অমা খক্তদা মীৎয়েং থম্বা হায়বা অসি অতোপ্পা ফুরুপশিংগী আইদেন্টিটিদা শীংনরকপনি, লান্দারকপনি। মসি কলচরেল ৱার মখল অমনি। ইংলিশকী মহুৎ শীনসি হায়বসু অদুক হাক্লা ৱাহন্থোক লৈতবরা খল্লি। ইংলিশকা হিন্দিগা চাংদম্নবা কৈদৌঙৈদা য়ারোই। মরমদি মালেমগী অচৌবা লোল ওইবতা নত্তনা ইংলিশ হায়বা লোল অসিগী ঈপাক্তা লৈরিবা পোটেন্সিএল, শীজিন্নফম, কান্নবা, ফিলিং অমদি সেন্স অসি হিন্দিগা মান্নবা য়ারোই। ইংলিশতি মালেমগী মফম কয়াদা শীজিন্নবা য়াই । অদুগা হিন্দিদি ইন্দিয়াদা খক্তদা শীজিন্নগনি। অদুসু সেন্ট্রেল ইন্দিয়াগী মফম খরা খক্তদা ঙাঙনবা ওইনা তৌবা অসিনি। মসিদা সাউথ ইন্দিয়াদদি হিন্দি অসি করিসু খঙবা নত্তে।




লোল অমা কয়াম চাওখৎপগে হায়বা অসি লোল অদু মীওই মশীং কয়ানা ঙাঙনবগে হায়বগী মথক্তা অতোপ্পা ফেক্টর কয়া মরুমসু চংদবা নত্তে। ইংলিশ হায়বা লোল অসি অসুক্কী মতিক চাওখৎলিবা অসি অফাওবা ইংলিশ অইবা কয়া (শেক্সপিয়র, কিট্স, মিল্টন, পি বি শেল্লি..) লৈখিবনা ইংলিশ লিটরেচর অসি য়াম্না পাক চাওই। অসিতা নত্তে সাইন্স অমদি মেথকী লম্দা গ্রীক ৱাহৈ নৎত্রগা ময়েক খুদম ওইনা অল্ফা, বিটা, গমা...অসিনচিংবা কয়া ঐখোয়না হেক-হেক থেংনৈ। মসি করিগীনো ? মসিগী মরমদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা গ্রীক লৈবাক অসি সাইন্স মেথকী, মেদিসিন অমদি লাইরিক্কী লম্দা য়াম্না চাওখৎলম্বগীনি। মখোয়না পুথোক্লম্বা অদু কান্নবা কয়া লৈবদগী হৌজিক ঐখোয়না তন্নীবনি। মালেমদা লৈরিবা কয়া অসিগা চাংদম্নবদা হিন্দি লোলদা মাগী রিসোর্স, লোলগী লনগৈ নৎত্রগা সাহিত্য কয়ামবু লৈবগেনে ? অদুনা ময়েক অমদি লোল অদুগী ভেল্যু লৈরবদি তন্নীনবা ঙাঙবীনবা মী ৱাৎলোই। নৎত্রগা নখোয়না তৌবা অদু ঐখোয়সু তৌগদবনি হায়রিবরা ? নখোয়গী ফিজেৎ চাকচা অদু ঐখোয়সু তৌগদবনি হায়রিবরা ? নৎত্রগা নখোয়গী লাইনীং অদু ঐখোয়সু চৎকদবনি হায়রক্কদৌরিবরা ? মদুদি দেমোক্রেসি নৎত্রে দিক্টেটরগী থৌওংনি হায়না থমজগে।

ইন্দিয়াগী মফম অমগা মফম অমগা টোপোগ্রাফি খেন্নবনা মফম-মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী ফিজেৎ চাকচাসু খেন্নে। খুদম ওইনা তুরেল মপাল অমসুং সমুদ্র মপালদা লৈবা মী অমদি চীংনুংদা লৈবা মীনা শা-ঙা অয়াম্বনা চাই। মসি মখোয়গী ফুদ হেবিটনি। চাদবা কাঙলুপনা মদু চাবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থম্বদি লানগনি। লোয়ননা শা-ঙা চাদবা মীওইদা চাও হায়দুনা ময়াদা ইনবসু লানগনি। মসি তৌদবা য়াদে হায়দুনা ইম্পোজ তৌবগী মহুত্তা অফবা থবক ওইরবদি মীয়াম্না মতৌ তমজদুনা ইনজসনু। ঐখোয়গী মৈতৈলোল ঐখোয়গী ইয়েক ইরোল অসি ফাওবা লোনয়ান য়াওরক্তুনা মপান্দগী চঙলকপা লোল কয়ানা পীবা শাফু কয়া মরুম্না মরম ওইরগা অরুবা ফীফমদা লৈরিবা তাল্লক অসিদা হৌজিক অমুক হিন্দি তমদবা য়াদে, ঙাঙদবা য়াদে হায়বা অসিদি অনাবদা হয়িং তোংবগা চপ মান্নরে। য়েংসি সাউথ ইন্দিয়াদা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি চঙবা ঙমদনা অয়াম্বা মতমদা মশাগী মরমদমগী রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক ঙাকপগী থবক তৌদুনা লিশাং শীৎনা লাকপগী মরম কয়া লৈতবা নত্তে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মশাগী আইদেন্টিটি, লোল, লাইনীং ঙাক্লবা হোৎনবদা হিন্দি লোল অসি মফম অদুদা চঙহন্দে। মসিগী খুদমদি নেসনল পার্টি অমগী লিদর অমনা হায়রিবা মফম অদুদা ভোট খোম্বা লাকপদা মানা হিন্দিদা ঙাঙলিবা ৱা অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা মীওই অদুগী মনাক্তা হিন্দি ট্রান্সলেটর অমা লেপ্তুনা লৈবা হেক-হেক ঐখোয়না থেংনরিবা অদুনি। হৌজিক হিন্দি ঙাঙবা মীওইনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্দা লুচিংবা ওইরগা হিন্দি হায়বা লোল অসি তমদবা য়াদে, ঙাঙদবা য়াদে হায়রবদি হয়েং মতম অমদা করিগুম্বা হিন্দি ঙাঙদবা সাউথকী মীওই অমনা ইন্দিয়াগী লুচিংবা ওইরক্লবদি টমিল, মালায়ালম নৎত্রগা কানাদা লোল অসি তমদবা য়াদে, ঙাঙদবা য়াদে হায়না অমুক হায়রক্কদৌরিব্রা ? ●

# ১৩২শুবা মপোক ডা : অম্বেদকরগী মপোক কুমওননা লাকপদা

# লেবর অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি- ডা : বি আর অম্বেদকার -২

- এল সোতিনকুমার -

ঐনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথরকখিবসি অরানবা ইদিওলোজিদগীনি হায়না তিনবিরিবশিংগী মফমদা ফোঙদোকখিবদু ইশাগী অচেৎপা থাজবা মখাদনি। ঐনা ৱাফম অসিমসু হায়জনিংই, মদুদি অরানবা ইদিওলোজি পুথোক্লিবদু য়াম্না ফৎত্রবা ওর্গনাইজেসন ওইবদগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি মরায় চাইথরকপগী থৌদাং মখোয়না লৌফম থোকই। ঐখোয়না পোলিতিকেল ক্লাস হায়বসি রুলর্স অমসুং রুলদ হায়বা ক্লাস অনি থোক্না পোলিতিকেল ক্লাস অনি লৈবা থেংনরি। মসি খ্বায়দগী চুমদবা অমনি। অসিগুম্বা ফৎত্রবা মওংগী পোলিটিকেল ক্লাসসি অনি থোক্লমদ্রবদি হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদু থোক্লমদবসু য়াই। ক্লাস অনি থোক্লম্বসিগী লাইবক থিবদি মসিনা হৌজিক ফাওবা চৎনবী অমা ওইখিবদগী রুল্লিং ক্লাসনা রুলস ক্লাসশিং চিংশিনবা ঙম্লবসু রুলদ ক্লাসনা রুলিং ক্লাস ওইবা ঙমহন্দ্রিবসিনি। মসিদগী মীয়াম্না লৈঙাকচবা লৈঙাকলোয়শিংদা মীয়াম্না শরুক য়াবা ঙম্লক্তে। মখোয়না শেমজবা লৈঙাক অদু শক্তি লৈবা মীওই খরদা লৈঙাক থৌদাং পুহনখিবদগী লৈঙাক অদু মখোয়গীসুনি হায়বদু কাউথোক্লরকই। অসিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি হায়বদু গোভর্নমেন্ট ওফ দি পিপল, বাই দি পিপলস, ফোর দি পিপল হায়বদুগী ৱাহন্থোক লৈরক্তবনি। মসি লৈরগসু পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি হায়বসি য়াম্না মমিং লৈরবা লৈঙাক্লোন মওং অমা অদুমক ওইদুনা লৈরি। অশেংবমকসু হান্না লৈঙাক শক্তি পায়রম্বশিংগী মচা মশুশিংনা রুল্লিং ক্লাস ওইনা মখা তাবা লৈঙাক শক্তি পায়রকপা মীয়াম্না থেংনরি। অসিগুম্বা হুগুম্না শাথিরবা পোলিতিকেল ওর্গনাইজেসন অমনা লেপ্তুনা লৈঙাক শক্তি পায়রকপদগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি মরায় চাইথরকপনি। মসিনা মীচম মীয়াম্না পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা থাজবা থম্নরক্তবগী কনানা থৌদাং পুগদগে হায়বগী ৱাহং অমা থোরক্লি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্নরক্তবগী চাওরবা মরম খরা পনবা তারবদি অনৌবা লৈঙাক পথাপ অসিনা থাজবা পীরিবা মরু ওইনা লায়রবশিংদা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা ঙম্লক্তবা অমদি মতু শোন্না হিংনবা হোৎনরিবশিংগী থাজবা মাঙলক্লবা অমসুং শু- নোল্লিবা শিন্মীশিংগী ফংফম থোক্লবা হকশিং ফংলক্তবদগী ওইবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথরকপগী থৌদাংসি মখোয়না পুফম থোকই। অহানবদা হায়রিবা মীওই কাংলুপশিংসিনা মীওইবগী পুন্সি মগুণ লৈনা হিংনবা হোৎনবদা শেল থুমগী খেন্নবা লৈরোয় হায়না থাজনরম্মী। মতাং অসিদা কনাগুম্বা মীওয় অমনা 'এন্দ ওফ দি ইকনোমিক মেন' হায়বা লাইরিক অমা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা ইরমখি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না 'এন্দ ওফ দি ইকনোমিক মেন' হায়বা লাইরিক অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবদি ওইথোক্লোই। মসিগী মরম হায়ববু হায়রিবা ইকনোমিক মেন অদু মালেমসিদা পোকখিদ্রি। কার্ল মার্ক্সনা মীওইবনা হিংলিবসি ব্রেদ (য়ুরোপ লৈবাকশিংদা পাম্না চানবা অচৌবা দবলুতি মখল অমা) খক্তগী নত্তে হায়না তক্লল্লিবদু লাইবক থীবা ওইরবসু মরম চারবনি। ঐনা য়ানিংবা ৱাফম অমনা কার্ল মার্ক্সনা হায়রমখিবা মীওইবা খুন্নায়না হিংলিবসি ওক কুম্বা মশা নোয়থোক চাওথোকহন্নবা নত্তে হায়বদুনি। অদুম ওইনমক মমিং লৈরবা ফিলোসোফর কয়ানা পীরমখিবা মমল য়াল্লবা পাউতাক কয়াদু ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা মপুং ফানা থবক্ত ওন্থোকপা ঙমদ্রি। শু নোল্লিবা শিন্মীসু নোয় পেল্লবা ওক্লম্না মবুক লাম্বা হেল্লকপা থেংনরি। মখোয়না খল্লি, মদুদি চানবা ব্রেদ লৈরবদি অতৈ পোৎলম কয়া মতুং তারকপদা ফংগনি হায়না।

কার্ল মার্ক্সনা মীওইবা খুন্নায়গী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা শেল থুমগী ফিভমশিং মচা খায়না মীয়ামদা খঙহল্লমখি। মহাক্কী মতম চুপ্পদা চুমদুনা লৈরগদবা ইকনোমিক (দোক্ট্রিন অদু মতমসিগা চুনরিব্রা নৎত্রগা চুমদব্রা হায়বগী চয়েৎনবা অমা থোরকপা ঐখোয়না থেংনরি। ঐনা খনজবদি কার্ল মার্ক্সনা পীরল্লিবা পাউতাক অদু শিন্মীশিংনা মশাগী শেন্থোক লম্বী ৱাংহন্নবা হোৎনরিবদুগা মান্ননা মখোয়গী মপু ওইরিবশিংনা শেন্থোক ৱাংহন্নবা হোৎনরিবদুগা মান্নহন্নবা ওইরল্লবা মালেমগী শেন্মিৎলোন ফিভম অনৌবা শক্তম অমদা উবা ফংলমগনি। মীওইবগী পুন্সি মহিংসু অৱাংবা থাক্তা লৈরমগনি। করিগুম্বদা পুৱারীগী খোঙচৎতা শেল থুমগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকখিবদুনা অচুম্বা ওইদ্রবদি শু নোল্লগা হিংনবা হোৎনরিবা শিন্মী খুন্নায়সু মখোয়না পাল্লিবা পান্দমশিংদু মপুং ফাহনবা ঙমদবদগীনি মখোয়গী পুন্সি-রোল থাক নেল্লকপনি। শিন্মী কাংলুপশিংনা লৈঙাক অমনা পাঙথোক্লিবা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং অমদি লৈঙাক পথাপশিং নিংথিনা খঙবা ঙমদে। লোয়ননা খঙনবসু হোৎনদে। শিন্মী পুন্নমক্লা রেজিমেয়ুজগী সোসিয়েল ফিলোসোফি অমসুং কার্ল মার্ক্সকী দি-কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো পোপ লিও থার্টিনগী এনসাইক্লিকেল ওন দি কন্দিসন ওন লেবর অমসুং জোন ষ্টুৱার্ট মিলগী ওন লিবর্টি হায়বা লাইরিকশিংদু মচা খায়না নৈনবা চঙই। অদুবু শিন্মী কাংলুপ্না মখোয়না অপাম্বা লাইরিক খরদা থৱায় য়াওনৈ। কান্নদবদা অরিবা ফুঙ্গা ৱারী, অরিবা মতমগী নিংথৌরেল অমসুং মহারাণি কয়াগী ৱারীদা পুক্লিং লুপ্নরি।

শিন্মীশিংনা মশাগী মায়োক্তা শীংনজবা অচৌবা ক্রাইম অমসু ঐখোয়না লাইরিকশিংদা উবা ফংনরি। মখোয়না কৈদৌঙৈদসু লৈঙাক শক্তি পায়বা ঙম্লবা কোক শীজিন্নদবগা ইরোয়ননা পাল্লিবা লৈঙাক অদু মখোয়গী মখাদা থম্লবা অচেৎপা থাজবা থম্নদে। মসিদগী মখোয়শিংদু লৈঙাক শক্তি পায়নবা হোৎনবদগী লাপথোক্লরকই। লৈঙাক শক্তি পায়বা ঙম্লবদতা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বফাওবা খনজবা ঙম্নদে। মীওইবা খুন্নায়গী পুৱারীদা থোকখিবা খ্বায়দগী চাওরবা লাইবক থীবা থৌদোক অমা পনবা তারবদি শিন্মীশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়নবা হোৎনখিদবা অসিনি। লৈবাক অমদা শিন্মী ওর্গনাইজেসন অমা লৈরবদি মসিবু ট্রেদ য়ুনিয়ন হায়না ময়াম্না খঙনৈ। ঐহাক ট্রেদ য়ুনিয়নগী মায়োক্তা লৈবা নত্তে। ট্রেদ য়ুনিয়ন্না লৈবাক্কী মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীরি। মসি শিন্মীশিংগী পুন্সি য়াইফহন্নবা শেল্লকপনি হায়না লৌফম থোকই। অদুম ওইনমক শিন্মীগী অশোয়বা কনখৎনবা ট্রেদ য়ুনিয়নশিং লিংবা ওইরবদি অরানবনি হায়না লৌফম থোকই। ট্রেদ য়ুনিয়নশিং য়াম্না শক্তি লৈবা ওইরবসু মখোয়শিংদু কেপিটেলিষ্টশিংবু হেন্না ফবা কেপিটেলিজম চৎনহন্নবা তকশিনবা ঙম্বগী থৌনা য়াম্না শোল্লি। শিন্মী লুচিংবশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়রকপদা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা লৈঙাক অদুগা নক্লবা মরী থম্বা ঙম্লবদি মখোয়গী শক্তি হেঙ্গৎহনবদা নত্তনা মীচম মীয়ামদসু চাওনা কান্নবা ফংহনবা ঙমগনি। মরম অসিদগী ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়বা ঙম্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা ঙমদ্রবদি ট্রেদ য়ুনিয়নশিং মচোয় মচোয় তারক্কনি অমসুং শিন্মীশিং ট্রেদ য়ুনিয়নদা থৱায় য়াওনররোই। শিন্মী কাংলুপকী অহুমশুবা অশোয়বদি মখোয়না নেসনেলিজমগী খোল্লাউদগী নাথৈরকখিবা অসিনি। মশীং য়াল্লবা শিন্মী কয়া নেসনেলিজমগীদমক্তা থৱায় কখোক্লে- খ্র। অদুম ওইনমক মখোয়না পাল্লিবা নৎত্রগা থাজবা থল্লিবা নেসনেলিজম মহৈ ফংলকপদা মখোয়দা সোসিয়েল অমসুং ইকানোমিক ইক্বেলিতি হায়বদু ফংবা ঙমগদ্রা হায়বদুদি খন্থরুবা তৌনদ্রি। ৱাফম অসিগা ইরোয়ননা নেসনেলিজমগী ঈহৌদগী মনিং মখা তম্লবা লৈবাক অমা শেল্লকপদা শিন্মীশিংনা নেসনেলিজমগীদমক মথৱায় কখোকখিবদু মপু ওইরক্লবশিংনা শিন্মীশিংবু য়েক্লবা ওইনা লৌনরকই। মসি শিন্মীশিংবু খ্বায়দগী ওৎপী নৈবীবগী মচৎ অমা শিন্মীশিংনা হৌদোকহল্লকই।

শু-নোল্লিবা (ৱার্কিং ক্লাসতা লৈবা) শিংনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি মখাদা লৈবা পাল্লবদি লৈঙাক পথাপ অসিনা মখোয়দা অহেনবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনগনি হায়না ঐহাক্না থাজবা ফোঙদোকচরি। পান্দম অসি ফংনবা অহানবমক্তদা ঐহাক্না হিরম অনিখক মরু ওই হায়না থমজগে। অহানবদা শিন্মীশিংগী পুন্সি মহিং থাক ৱাংহন্নবা লৈবাক অসিদা ট্রেদ য়ুনিয়ন কয়া মমিংতগী ওইনা লিংখৎপগী হৈনবী থাদোকপা চঙই। ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা শিন্মীশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়নবা হোৎনদবা য়াদে হায়বদু মীয়াম অমদি শিন্মীশিংদা লাউথোক্কদবনি । শিন্মীশিংগী ওইবা লেবর পার্টি অমা শেমগৎপা চঙই। অসিগুল্লবা লেবর পার্টি অদুনা মশাগী ট্রেদ য়ুনিয়ন অদুগীদমক অহেনবা মীৎয়েং থল্লোইদবনি। মসিগা ইরোয়ননা লৈঙাক অদুনা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী অখুবা মীৎয়েংশিং থাদোক্লবা হোৎনবা চঙই। তৌবদবু শিন্মীশিংগী হকশিং কন্নবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা শিন্মীগী লৈঙাক অসিনা কম্যুনেল ওইবা হিন্দু মহাসভানা নৎত্রগা কেপিটেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিগা কৈদৌঙৈদা নক্লবা মরী থম্নরোইদবনি। কংগ্রেস নৎত্রগা হিন্দুনা লৈবাক্কী নিংখা তম্বগী অন্দোলনদা কংগ্রেস নৎত্রগা হিন্দু মহাসভানা নিংখা তম্বা পুরকখিবনি হায়বদুনা শিন্মীগী লৈঙাক অদুনা হায়রিবা পার্টি অনিসিদা পুনশিন্নবা হোৎনরোইদবনি। নৎত্রগা মখোয়গী কেম্পশিংদা পুল্লোয়দবনি। মখোয়গী খোঙলোয়শিংদসু নকশিন্নরোইদবনি। শিন্মীশিংনা লৈঙাকচবা ওইরবদি শিন্মীগী পোলিটিকেল পার্টি অমা শেমগদবনি কোংগ্রেস অমসুং হিন্দু মহাসভাগী খুবামনুংদগী নাহ্থোক্লবা শিন্মীগী নিংতম্লবা লৈঙাক লিংনবা শিন্মীশিংনা মখা তাবা লান থেংনগদবনি। থেংনবসিনা নেসনেলিজমগী অখুবা মীৎয়েংদগী নাহ্থোকপা ঙমহনগনি। মসিতনা লৈবাক অসিগী মশিং য়াল্লবা কাংলুপশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈহল্লোয়। কোংগ্রেসনা রিভল্যুম্নরি পার্টি অমনি হায়না দাবী তৌরি। মসিদগী পার্টি অসিগী তুংইনবা মশীং য়াল্লকপনি। অদুবু কোংগ্রেসনা তৌরিবা পোলিটিক্স অসিনা মীয়াম নিংবা কায়হনবা নত্তনা অফবা অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রি। কোংগ্রেসনা শক্তি কল্লিবসি মসিবু নমথগদবা অতৈ পার্টিশিং শোনবদগীনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী ওইনদি লেবর পার্টি অমগী মখাদা লৈঙাক লিংবনা খ্বায়দগী ফবা হায়বদু ওইগনি।

হৌখিবা চহি ২০ রোমসিদা লৈবাক অসিগী পোলিটিক্সতা ষ্ট্রেট য়ুনিয়নশিংনা অচৌবা থৌদাং মায়পুনদুনা লাকখি। ঐনা খনজবদা লৈবাক অসিদা শিনমীশিংনা লৈঙাকচবা ঙম্নবা অহানবমক্তদা লেবর পার্টিগী থৌমীশিং লৈবাক কয়াগী লৈঙাক পথাপশিং কুপনা নৈনবা চুমগনি। মরমদি লৌশিং য়াওদনা শক্তি পায়বা ওইথোক্তে। লেবর পার্টি অমা শেল্লকপা মতমদা ভোটরশিংনা হায়রিবা পার্টিদুনা শক্তি পায়বা ঙমগদ্রা হায়না হংনরক্কনি। ৱাহং অসিগী পাউখুম পীবদা পার্টিসিগী লৈঙাক মখাদা শেল থুমগী ফিভম পুথহনদনবা অমদি মীরৈবাক্তা অফবা মরী থম্নবগী অচেৎপা থাজবদু মীয়ামদা শেংনা ফোঙদোকপা চঙই। ঐখোয়না ৱাফম অসিমসু খঙজিনবা চুমগনি। মদুদি লেবর পার্টিগী লৈঙাক অসি অতৈ পার্টিশিংনা লৈঙাকপদগী য়াম্না লুবা লৈঙাক্লোন অমনি হায়বদু। লৈঙাকসি সিষ্টম অমগী মখাদা শক্তি পুম্বা শীজিন্নগদবনি। সিষ্টমসি মপুং ফানা চথুহন্নবা লৈঙাক্লোয়শিং অহেনবা লৌশিং ফংনবা অখন্নবা ট্রেনিং কয়া পীগদবনি। লাইবক থিবদি লৈবাক অসিগী লেবর ওর্গনাইজেসন অয়াম্বনা লৈঙাক্লোন মওংশিং মমুৎ তানা থিজিন্নবা নৎত্রগা খঙনবা হোৎনবা ৱাৎলিবনি। লেবর লুচিংবা পুন্নমকনা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংনা করম্না মখোয়গী লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং করম্না চাওখৎলক্লিবনো হায়বদু থিজিন্নবা হোৎনগদবনি। ঐহাকনা ইন্দিয়ান ফেদরেসন ওফ লেবরনা শিল্লিবা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াবা ফংবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা থৌরমসিদা শরুক য়াবীরিবশিংসু লেবর ওর্গনাইজেসনশিংদা অশোয়বা খরা লৈরিবদু চুমথোকনিংবগী অপাম্বা পোকনরমগনি হায়না ফাওজে। অরোইবদা ঐনা হায়জনিংবদি ইন্দিয়ান লেবর ফেদরেসন অসিনা অথুবা মতমদা অনৌবা লেবর পার্টি অমা শেম্বগী ৱাফম কাউবিদনবা নীংশিংজরি। লেবর ক্লাসনা শোয়দনবা লৈঙাক শক্তি পায়নবা খোঙলৈ থুনা হোৎনবীনবা অমুক্কা হন্না হায়জরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।